মতম মতমগী ৱাফম

# ড্রামা ইবা অমা ওইনা নাওরেম কালিমুহোন

নোক্লীংহনবা, ৱাখন খন্নীংঙাই ওইবা লীলা ইবসি লমদমসিগী ড্রামা, লীলাগী অইবশিংগী মরক্তা খরা তাঙনা থোক্লি। হৌজিক ফাওবদা মীয়াম্না শোন্নরিবা নোক্লিং লীলা, ড্রামা ইবসি জি সি তোংব্রানি। অতৈ অইবা কয়া লৈরগসু জি সি তোংব্রাগী মতুংইনবা অইবসি ৱানা থোক্লি। জি সি তোংব্রাগী লীলা খুৎই পামজবদগী মহাক্কী মহৈরোই ওইজনিংদুনা অথোকপম তোমচৌ লীলা ইরকই। অথোকপম তোমচৌ নোক্লিং লীলা ইবা অমদি নৎখিদে। ৱারী মচা ইবদা নোক্লিংহনবা ওঝা এলাংবম দিনমণি লৈরি। মহাকসু লীলা ইখি। নুংঙাইবা, নোক্লিংহনবা মচৎ মহাক্কী খুৎইদা য়াওরি। তোংব্রাগুম্না নোক্লিংনবগী মচু য়ৌনা তৈশিনবদি ইঙম ঙমখিদে। খুন্দোংবম ব্রোজেন্দ্রা লীলা য়াম্না ইখি। নোক্লিংহনবা, নুংঙাইবা লীলা য়াওখি অদুবু মহাক নোক্লিং লীলা ইবা অমদি নৎখিদে। অয়েংবা মীনা নুংঙাইনা নোক্লিংনবা লীলা ইবা হায়বসি অরায়বা নত্তে। ইথা থাজদনা, মোং হাদনা নোক্লিং লীলা ইবা অমা ককচীং মাইকৈদা শাফোংঙলকই। নোওরেম কালিমুহোননি। মশামক্তি ৱা কয়া ঙাঙদবা, মীঙোন্দা ফাগী তৌগন্দবা, চীং লেম্বা, মোং হাদনা ঈংনা-চিক্লা লাইরিক পাবা, অইবা অমদি হন্দোকলোই অমনি। থবক অমা পাংথোকপদা তহা তহাদনা ৱাখল খল্লগা পাংথোকখি। অইবা মশা কন্না নোক্কন্দবা অসিনা নোক্লিংবা লীলা ইরমগনি হায়বসি মহাক্কী লীলা য়েংখিদ্রিবা অমদি অইবগী ফোংঙলবা লাইরিক পাখিদবা কনাদি হায়জরিবসিদা থোইদোকলোই।

নাওরেম কালিমুহোন মশামক্তি এগ্রিগী ওফিসার ওইনা থবক্তগী পোৎথাখি। য়াম্না ঙল্লিঙৈদগী লীলা ইবা হৌরকখ্রে। মশানা য়াম্না পামজনা ইনীংবগী ইনোৎ পীরকখিবদি লিও টোলষ্টোইনি। লিও টোলষ্টোইগী লাইফদিবী অমগী য়ূম (এ দোলস হাউস) পামজমনবদগী কয়ারক হন্না পাখি। অইবগী লীলাশিংদি- **খ্বাইগী হোটেল (১৯৬৬), অপঙ খুঞ্জাও (১৯৬৬), মঙ নত্তে তাইবংনে (১৯৮১), নোংমগী নিংথৌ (১৯৮৩), নিঙোল্লাকপা (১৯৮৩), পাখ্রা লুখ্রা অহানবা শরুক (১৯৮৩), পাখ্রা লুখ্রা অনীশুবা শরুক (১৯৮৪), অঙাং (৭ শুবা অঙাং ১৯৮৪) , লৈ পোলাং (১৯৮৪), চকপা হয়াইনু (১৯৮৪), কুমগী নোং (১৯৮৪), মৈরিক্তগী মৈজাওবী (১৯৮৫) চম্প্রাসি (মানি ঐহাক লালহৌবনি, ১৯৮৬), শকুন্তলা (১৯৮৭) মুৎখ্রসনু লম্মৈসে (১৯৯৮), মীহৌ চাউবগী ৱা লৌরুবদগী ( ?) নুংশিবিমল্লিদা (২০০০) নুংশি পরিক্ষা (?), কুমগী নোং(?) অমদি লাকপা (২০০৩) অসিনচিংবশিং অসি থেঙনজৈ।**

মহাক্কী লীলাশিংগী খুৎই, খুফোংঙদোক অসি ঐখোয়না নৈনবদা তোপ তোপ্পা মশক অমা উবা ফংলি। মসি অইবগী পীথোকলকপনি। ড্রামা, লীলা হায়বসি শান্নরগা য়েংনবনি। য়েংলগা নুংঙাইনবনি। লীলা অমা ওইনা অইবনা শান্নবগীদমক ইজবনি। লীলা, ড্রামাবু লাইরিক অমা ওইনা ইরগা ফোংঙলকপদা পাবীনবা মীগী মশীং লমদমসিদা পংয়াম য়ামলম্মোই। লীলা ড্রামা অমা শান্নরিঙৈদা য়েংলুবদগী ফংলকপা নুংঙাইবা অদুগা অইবা ওইনা লাইরিক অমা ওইনা ফোংঙলকপদগী পারকপদা ফংবা নুংঙাইবা অনী অসি খেন্নে। অতোপ্পা অমনা লাইরিক ওইনা পাবসু নত্তবা, শান্নবা লীলা অমা ওইনসু উবা নত্তবা, খোঞ্জেল ঙাক্তা ওইনা লীলা অমা নাকোংনা তাবদগী ফংলকপা নুংঙাইবা মহাওশিং অসি অমমমনি।

অইবা কালিমুহোন মশামক্তি, য়াম্না মোং হাদবা, ৱা কয়া ঙাঙগন্দবা মীনি মথক্তসু হায়জখ্রে, মীঙোন্দা ফাগী তৌদে। অদুগা মহাক্কী লীলাগী লাইরিকশিংদি মীবু নোকহন্নবগী মচাক্লা পীক থল্লি। থবক অমা তৌবদা সেরিয়স ওই। অইবগী পূন্সি খুঙ্গংগী পূন্সিদা হৌরকখিবনা খূঙ্গংগী ৱাঙাং, চৎনবী, মীনুংশি, হোৎনবা, শুবা নোম্বা কনবগী মমি লীলাশিংদা অয়াম্বা তাবা থেংনৈ। ঙাঙনরিবা ৱাহৈ-ৱাতা, ডাইলোগ য়াম্না নেচরেল ওইহল্লি। ৱাকোয় শীজিন্নদে । শক্লাইখিবা অইবা জি সি তোংব্রাগী, ‘অচুম্বা ৱানা অতাবা মীগী পূক্লিদা তিকি হোৎপা’ হায়দুনা নোক্লিংবা ফাওহনবগী মওং অদুদা নকশিল্লি। ‘অপঙ খুঞ্জাও’ হায়বা লিলা অসি অইবনা **আইভান ডি ফুল** হায়বা ১৮৮৫তা সেঞ্চুরিদা লিও টোলষ্টোইনা ইরম্বা অদুদগী এদাপ্টেসন তৌরগা ইখিবনি। খূঙ্গং অমদি সহর অনী পূন্সি মহীংগী খেন্নবদা য়ূম্ফম ওইরগা শাগৎপনি। খূঙ্গংগী পূন্সিদা চাউরকপা খাবা অমদি ঙানবা মচিন মনাও অনীনা নুপী থীদুনা সহরদা লৈখিবদগী মাগী পোক্লফম লমদম খুঙ্গংবু হন্থবা থাক্তা উরকপা, খুঙ্গংদা লৈহৌবা মনাওনুপা অমদি অপোকপা মপাবু মী ওইনা উরক্তবা থোইচৎনবা ৱাঙাং শঙাং কয়াবু ময়েক শেংনা উৎলি। খাবা ঙানবা মচিন মনাও অনীনা মখোয়গী খূঙ্গংদা লৈহৌবা ইঙ্খোল শরুক লৌথোক্লবা মখোয় মখোয়গী নুপীশিংগা লোয়ননা চে চাং ইননবা থৌরাং তৌদুনা লাকপনা লিলা অসিগী ওপন্নিংনি। মনাওনুপা অতোনবা অপঙনা ময়াম্বা অনী উবদা হরাউনা কৌজবা মতৈমা অনীদা ইচম চম্বা ৱাহৈনা ওকচরকপা মতাংদা অইবনা অসুম্না থম্বী।

“অপঙ - ইতৈমহল, ইতৈমতোন লাকপদা ঐ য়াম্না হরাউজৈ।

লিম্হোই - থিদা, করি মিংগৌনো, লৱায়দা লৱায় অতাক্লে।

ঙানবা - অপঙ, মীবু অদুম কৌবা হৌনব্রা ? লৈমশিজনি হায়বা খঙদ্রা ? লৈম-শিজা লৌরগা ঐখোয়বু অৱাংবা থাক্তা কারে খলম্বদো নহাক্লা কাউথরো ।

অপঙ - তামোচা ঐদি করি ৌগনি হায়বদি খঙদি খঙদনা ।

ঙানবা - নহাক্লনা কৌরিবদো লৱায় মিঙ্গৌনি । নতৈমমক ওইরবসু অহল অসি নিংথৌ মচানা পোকপা সনানি হায়বদি শিজনি। ইতৈমশি কৌগদবনি। অদুগা ঐখোয়গী মতৌলৈবীনা শিজনা পোকপা লৈমনি। ইতৈমবেম্মা কৌগদবনি।

অপঙ - ঐদি সনা লুপাগী ৱাদি খঙদে। মীনি হায়দুনা কৌরুবনি।

ঙানবা - মসিদনি ইবো, খংউ থক-খা খায়রিবসি । লৱায়গী ইতৈমা অদুদা শি নৎত্রগা ইবেম্মা হাপচিল্লগা সহর ওইগদৌরিবনি খঙউ ইবো ।

অপঙ - খঙদদুনা তৌজবনি শাওবিবা য়াদে। চং-শি, চং-শি। লৱায়না- চং সহরনা-শি..। ময়াম ফম্বিখো ঐ ষণগোন ষন্থি শেংদোকলুখিগে।

খাবা - অপঙ, নহাক্লা চং-শি হায়রিবদো করিনো ?

অপঙ - তামোচানদি লৱায়দা শি হাপ্লগা সহর ওই হায়য়ে, কাওদনবা পারিবনি।

ঙানবা - অপঙ, নঙগী ষন্থি শেংবা লায়রি। কার অসি শেংদোকলম্মু। লৱায়গী উফুল মরক্তা লাকপদা ইমোৎ মোৎলে।

অপঙ - ফনি ষণগোনগী চন্দ্র লৌরগা শেংনা তকথোক্লে ।” *(অপঙ খুঞ্জাও লাঃ ৮)*

মতাং অসিদা ঙাঙনরিবা ডাইলোগ, ৱাহৈ-ৱাতা অসি ইচম চম্না হায়নবা ওইরবসু তাবদা নুংঙাইনা নোক্লিংবা পোকহল্লি। চাওজনিংবা সহরগী মতৌ অদুবু করেম্নবা উৎপনি। খূঙ্গংগী অপোকপা মপাবু নুংশিরবনি হায়দুনা সহরদা লৈরুরসি হায়না মচানুপা ঙানবনা হায়রকই,

ঙানবা - শিরমদাইদা ওইরবসু সহরগী পাউ খঙনা শিখ্রবদি হয়েং অমুক্কী মপোক্তা সহরদা পোক্লবা য়াই। লৱায়দা নুমিৎ চুপ্পা হা কনাগী লৌ য়ৈগনি, কনাগী নিযলংগনি, হয়েংদি চাকঙন চাগদবনি, লোং খোল্লুসি, লোউপ তাল্লুসি মসিনদি চাউখৎপা য়াবা ৱা নত্তে। সহরদা লৈপুঙ ফম্বা য়াওদুনা নুংঙাই নুংঙাইরবা লানগী পাউ, নুংঙাইরবা ফিল্মগী ঈশৈ তারগা পুন্সিদু খর শাংদোকপা য়াই।

মপা অহল-সহরগী নুংঙাইা পামজদে। সহর হায়বসি নখোয়গুম্বা লৱায়দগী হৈশিংলবা, মীনুংশি খঙদবা, পোক্লফম খুলবু অমাংবা কোমগুম্না তিন শিৎচিল্লগা চৎখিবা মীওই ময়াম্না পূল্লগা শেমখিবনি। অদুনা ঐঙোন্দদি সহরগী ফুরা দলান অদু যমরাজগী থোঙ্গান্দা শারিবা বন্দি খানানি। মদুদা লৈরুবগী মহুৎতা লৌশঙদা লৈরুবনা হেন্না ফৈ। মফম অদুদি তাইবংগী চীরোল চঙবা ঙমদে। লৱায়দা পোকপা ঐগীদি লৱায়দা মোংফম ওইগদবনি।...” *(অপঙ খুঞ্জাও লাঃ ১৪)*

অতোপ্পা অইবগী ফাগী অমসুং করেম্নবনা মপুং ওইবা লীলা অমা **লাকপা** হায়বা লীলানি। **লাকপা** মখল য়াম্মি। মীগী মপোৎ লাকপা, য়ুম্দা লাকপা, মীগী মপোৎ মুন্দুনা লাকপা, ঈশিংদা লাকপা, ইরাক্লবা, লাকপা হায়দুনা ফম অমা ওইনা পায়হনবা (নীংঙোল্লাকপা), মতম অমা চৎনরম্বা খজনা থৌবগী মকোকশিং অদুসু লাকপা কৌনরম্মী। লমহেনবা মীবু ৱারক ৱাতেম্বা অসিসু লাকপা হায়নৈ। শা ষন তেথহনবসু **লাকপা** হায়নৈ। অইবগী **লাকপা** হায়রিবা লীলা অসিনা থোয়চৎনবী লমহেনবী নুপীমচা কেবিসনা কৌবী য়াইতোং ফমদোংবা অমগী মচানুপী অমবু **লাকপা** কৌবা নিপামচা অমনা লাকখিবগী লীলানি।

থাঙ্গাদা পাংথোকপা শান্না খোৎনবগী মনা মথুম পীবগী থৌরমদা কেবিসনাগী মপাবুং চাউরেলনা থৌরম মপু ওইদুনা শরুক য়াবদা লমজেলদা লাকপনা মকোক তারকপগী মনা পীবদা মখোয় খঙনখি। লাকপগী থবৎ থবৎ ঙাঙবা ৱাঙাংনা অতাবদা নুংঙাইবা পীরি। লাইরা মচা খম্বগী শাজৎনা লাকপদা অদুগা মজাইবেম্মা থোইবীগী শাজৎনা কেবীসনাদা লৈহন্দুনা মহাও অমা পীনবা হোৎনবা লীলানি। ফাগীগী মতেংনা করেম্নহল্লগা মীনা শীংথানবিদ্রবা তোল্লবশিংগী পূন্সিবু মশক তাক্লবা মাইকৈ অদোমদা কন্না হোৎনৈ। শেম শাদুনা, মশাগী কান্নবতা য়েংবা সহরগী পূন্সিদা হিংলিবশিংগা অচম্বা, অমকপা য়াওদবা খূঙ্গংগী পূন্সিদা হিংলিবশিংগা অনী অসি হিদান্নহল্লি। থেঙ্গাইনহনল্লি। শঙ্গোম য়োনবনা শঙ্গোমদা ঈশিং য়ানবা খঙহনদবদু অইবনা ইলায় লায়না উহন্নবা হোৎনৈ। মসিদা ইলাই লায়বা নোক্লিং ৱাহৈ শীজিন্নদুনা ৱারী শান্নহল্লি। অতৈ নুংঙাইবা অইবগী লীলা কয়ানি। ড্রামা লাইরিক্ত পারগা নুংঙাইবা ঙমহনবসি খরা তাঙনা থোকই। য়েংবগী নুংঙাইবনা পাবদগী হেনবদু নাওরেম কালিমুহোনগী লীলা অয়াম্বা পানা পানা মিৎতা লীলা উরকপগুম ফাওহল্লি। হৌজিক মণিপুরী খোরিরোলগী পূক্কেদা নোক্লিং লীলা ইবা অমা ওইনা নাওরেম কালিমুহোন য়ূম্বী মখোং অমা ওইরে। মহাক্কী ফোংঙলবা লীলা খূদিংমক্তা নোক্লিংনবগী মচল য়াওহল্লি। লাইবক থীবদি হন্দক্তা পংকুই কুইদনা অইবা অসি খঙহৌদনা ঐখোয়গী ইরক্তগী চৎখ্রে। মার্চকী তাং ৩১ অসি অইবসিগী মপোক নুমিৎ ওইখি। অইবা অসিগী চহী মরীফুতারা শুরকপা থৌরমসু খোরিরোলগী থৌরম অমগা লোয়ননা মার্চ তাং ৩০,২০১৮ অসিদা ককচীংগী লাইব্রেরী অমদি ইনফোর্মেসন সেন্টরনা শীন্দুনা অহানবা ওইনা ককচীংদা পাংথোকখি। অইবা অসিনা হিংলিঙৈদা নক্লা লোইনজখিবা অমা ওইনা অইবগী মফমদা নোল্লুকপা উৎচবা ওইনা মহাকপু নীংশিংজরি।

*- মাখোনমনি মোংসাবা*



ৱারী ককনাউ

## চেন্নীংখোদনা

“কদাইদনো নঙ চৎতুইদো, অয়ূক ঙন্তাসিদা?”

“ইমা ঐ মথা য়াম শাই, ঐগী ফিরেপ অমতা লেপ্পা য়াব্রা য়েংঙুগে” মনিমচানা মশাদু তহা-তহারগা চনিং ইতা তাদনা হায়রকই। মাই মতৌদুদা মমানা ইপা পাখৎলদনা মচানুপীগী মনাক্তা চঙশিল্লগা চেকশিন্না হংই।

“ঙাইখোনে, কৈনো নঙনা হায়রিদুবো? ইমাবু কৈমতা খঙদ্রে”

“ইমা, ঐসে চহী কয়া শুরে, ঐসে ইমানা পোকপনি, ইমাদি খঙলমগনি অদু হান্না অমুক্তা খুম্মু?”

“কৈনোনে মসিবো? চহীদুদি হন্দক্কী কালেন্দা ৩৩ মপূং ফাদৌরিনি, ৩৪ চঙদৌরিনি”

“অদুনি লোইরে”

“অদুবু কৈদৌরগে হায়বা?

“ঐনা লৈশাবী ওইনা সুম লৈবসি ইমা য়াম নুংঙাইব্রা? ঐবু অসুক য়াম্না থাদোকনীংদ্রিসি কৈগীনো? ঐনা সুমাইনা সুম তৌবসি ঐসি নুংঙাইরমগনি হায়না খনব্রা?

“হাইমা! কৈনোনে মসিবো”

“কৈনোনে নত্তে, ঐসে মতম হেল্লবনি, ইমাহোইনসু খঙবীগদবনি, নোইদি কৈমতা খঙশিন্নদে, ঐসে য়াম চাকইজাৎনি, কান্নদে ঐ চৎকে, ঐগী ফিরেপ অমা লেপ্পা য়াব্রা য়েংগে ঙসি?

“ইস ইমাগী ইবেম্মা! ঙাইখো কনাদনো কদাইদনো নঙনা চৎতুইসে?”

“ঐ ঙরাং ইমাদা ৱারী লোইনা শাখ্রিদুনি। কান্নদে থেংঙে ময়ূম থিরুগে”

মনিমচাদু ইফিং হেক ফিংদনা মমাদু ইন্থোক্লগা কাদগী মপান থোকখি। মমানা মথবাক য়ৈদুনা হায়হৌই।

“ঐ ইচাসিদি লিমন্দনা ইকায়বগা অমত্তা খঙদ্রেদনা সিদি”

মনিমচা নুপা অমতা কোয়নরক্তে, কোয়নবা করিনো খঙলক্তে, হৌমীন কামিন্নবী মমান্নবী অমত্তা লৈকায়সিদা নত্তনা মানা হেক খঙনবা মখৈ অমত্তা লৈত্রে। লোইনা ময়ূম পান্নখ্রে। মমান্নবীশিংনা মচা অমা পো অমা পম তৌরগা নিংঙোল চাক্কৌবা লাকপা উবদা ইমুংদা চেনশিল্লগা কপ্পুনা খাঙলক্লিসি চহী ফনা য়ামশিল্লক্লে। অদুবু করিদি উপাই লৈ। লম্বীদা চৎলিবা নুপা অমদা ঐবু লৌরো হায়রুবদি য়াদবনিনা, তাঞ্জা চাবা সুম ঙাইবদা অদুঙৈ মোইরাং কংলৈরোলগী নোংবানগী মচননুপী তোরোনা থোঙ্গালদা থোক্লগা নুপা ফাবগী টাইপতুমক তৌদৌদা ঙাইরে। অদুবু হন্দক্তি মনিমচাগী নাকোংদা খোইরেল্লা, খোঙনাংলা, উনা খোইরা, করি খোইনো খঙদে, খোইমু অমদি ঙংলবা তারে। অদুসু উচিন নাচিন্না ফোন্দা খঙনবনি। ফোনদদি চহী তরুকমুক য়ূম্বানমিন্নদুনা লৈমিন্নবগুম নুংশিন্নরে। মোইদগী হেন্না নুংশিনবা তাইবঙসিদা লৈত্রবগুম্লবনি। অদুবু শক্তি অমুকফাও উনদ্রি। ফোটো থানবদদি মশক হায়রপ য়েংবা য়াই। অদুক য়াম্না নহাসু নত্তে, মাগসু হায়রপ চান্নৈ খল্লি। হন্দক্কীসিমদি রিচার্জ ফনয়াম তিংনা ৱারী থা কয়া চঙনা তৌরক্লবনিনা মনিমচানসু নামৈ পায়দুনা য়ালহৌরগে হায়দু হেক য়ৌরে। সিমগা নান্থোকখ্রদি মনিমচা চুক শাবগী থৌরাং তৌ য়ারে। অমুক্তা উনসি য়াদবদু নহান ৱারী শান্নবদদি উচিন নাচিন্না ঙসি উনসি হায়রকপনি। মসিনি নহান্দগী মানা ফেংইসে। হেক্তা চেনশিল্লগে সিনি।

মনিমচা অয়ূক য়াহৌরকপদগী তৈবগা নানবগা মমায়দু লৈশাবী ইনখৎলকপীদু ঙাইরে। মচিনবান্দু লিপষ্টিক তৈরা মন্থর তৈরা মন্থর তৌদুনা ফেৎ-ফেৎ লাউনা চৎখ্রে।

“ঙসিমক্তি হায়রনু, ঐসু ফীভম অমতা শেমখিগে’ সোরোক মপান্দা হৌরিবা খোঙনাং পাম্বীদুদা ঙারগা হুমাং কাংলপ নুপাদুনা মনিমচাদা থেম্মী।

“য়ারোইয়ে, ঐদি ঙসিসি নুমিৎ তম্মগা থোরক্লবনি, ঙসিসি নুমিৎসু য়াম ফৈ, ঐদি হায়রিসিনি হল্লরোই” মনিমচানা মমায়দুদি নুপাদুদা য়েংবা ঙমজদ লুকথরগা খোঙবীদা য়েংলগা ওইনদুনা হায়রি।

“ঙাইখো নঙবু ঐগী য়ূম কাইদৈনো খঙলব্রো?”

“অদু খঙবগী মথৌ তাদে, নঙনা পুরগা চৎলগা অদুম খঙদৌ লৈরদুবু” মনিমচা অদুম খুম্মী। তৌফম খঙদ্রবা নুপাদুনা মখূৎ মশাদু মরেং-মরেং চৎতুনা মমায় হুমাং পংতৈদা তৈথোকপদু মনিমচানা তাপ লাউনা ফারগা চেৎনা পায়শিন্নীংবগী ৱাখলদি খল্লি। অদুবু মদুমক্তি হেক ঙমজদে। অনীমক মাগী মাগী ওইবা তোঙানবা ৱাখল খন্নরিব্রা কৈনো ৱা অমত্তা ঙাঙনদে। মরকসিদা নুপাদুগী ফোন অমা লাকখিবা তাই।

“ঐ থবক অমা চৎলি... লাক্লনি ... উম ... থম্মো ... হোইবা লাকঅগেবা” নুপাদু ফোন থমখি।

“কনাগী ফোননো লাকইদো?”

“ইমান্নবা অমগীনি, মনিমচা চৎলো ঙসিদি ফরক তারনি, কোন্না পাউ ফাওনরসি”

“ঙম্মোই হায়বা, ঐদি থোরক্লবনি হায়বা “মনিমচানা হন্দক্তি নুপাদুগী খুদাং পায়দুনা কোনশিল্লগা হায়রুই।

“থাদোকউসে মীনা উরগা ফজদে” নুপাদুনা হায়রপ ইন্থোক্লবা হোৎনরি।

খঙহৌদে তুংদগী নুপাদুগী লুশম পায়দুনা লোংথেক হেক্তা থেকখি।

“কৈনো নঙনা সিদা তৌরম্মীসে? ঐনা চিংনরক্লিসি কুইরবনি, ঙসাইদগী নোইনা তৌরিসি ঐ তুমিন্না য়েংলিবনি। থবক অমা চৎলিগাইনা, চিন্থিবা... “নুপাদুগী নুপী ওইরমাল্লে, খুদোনবী-ও করি-ও নুপাদুদা য়াম্না শাওনা লাউ খোঙদুনা ঙাঙলি। মনিমচাদি মশাদু তরং চৎলে। ৱা অমত্তা হায়বা ঙমদ্রে। মীহুনসু থাবল চোঙবগী ধোন মখোলগুম হৌগৎলকই।

“হে, মীগী মতু মচা লৈবা নুপাদা নঙনা কেথরম্মীসি কৈনো, নশমদু ফোইরগা শুনু য়াইঙং তৈয়ুরা, সিদি ঐগী কেথফমনি, নঙ শিনীংব্রা, ঙসিদি থাবিরবনি, মতুং অমুক থেংনরদি শিরে খঙউ” নুপাদু সোরো-সোরো চিংঙগা পুরগা চৎখি।

মনিমচা ময়ূমদা পেহৌ পেহৌ হল্লক্লগা ফমুংদা উপশিন্দুনা কপ্পী। মমাদা থোক্লিবা পূন্নমক তম্মী। মমানা শ্বর অশাংবা অমা হোন্দোক্লগা তপ্পা হায়রকই।

“থবক অমা তৌবা হায়বসি য়াম্না ঈংনা তপ্পা তৌগদবনি। ফরৈনি হৌজিক্তি, চেন্নীংখোদনা”।

*- নরেন্দ্র নিঙোম্বা*

## ফাগী পিওন

- ক্রিং
- সার করি তাকপীগদবা।
- ফাইলসে দেপ্যুটি সেক্রেটরিদা পীরুসো।
- য়েস সার
- ঙাইখো
- তাকপীয়ু সার
- পারুনুকো কনফিদেন্সিএলনি
- হোয় সার (থোকখি)।
- ক্রিং
- সার তাকপীয়ু সার
- কেন য়ু স্পিক ইংলিস
- য়েস সার, হিন্দি ওলসো, সব জানতা
- নঙদি ক্লাস কয়ানো
- বি এনি সার, ইংলিস ওনর্স, হিন্দি কোবিট, এম এ এপিয়র বট ফেল।
- য়ারে চৎলো চা পুরকউ
- ফনি সার
- অস লোইরেহে, ক্লাস আইটকী পিওন্দা, বি এ, এম এ হাপচিন্দুনা, ফাইল কনফিদেন্সিএল লৈত্রেদা, লৈপাক ঙাকপা অথৌবশিং, কোকসে খ্রো-খ্রোদুম খোৎকেদা।
- (থা ৬কী মতুংদা)
- ক্রিং
- করি হায়গে সার
- ফাইলসে সেক্রেটরি ফাইনান্সতা পীরুসো।
- হোয় সার পীজগে, মাদি কদাইদা ফমগে সার।
- মথংগী কাদা
- চৎলে সার
- ঙাইখো
- করি হায়গে সার
- ফাইল নম্বর টুদো দেপ্যুটিদা
- ফাইল নম্বর টুসি করম্বনো সার
- অস! অঙাংবসিনি চৎলো হংউ
- ফনি সার (থোকখি)।
- নোংঙাল্লে
- ক্রিং
- লাকচরে সার
- সিগী ফাইলসে মথং মনাউ নাইনা থম্মুসে। টেবলদুগী নাকন্দুদা।
- করম্বনা হান্দুইনো সার
- চৎলো মপান্দা লৈরুখো, অমুক কৌরক্লে।
- হোয় সার (থোকখি)।
- ক্রিং
- চঙজরকপা য়ারনিকো সার
- চঙলকউ, নঙ থবক তৌবা অহানবরা
- মানি সার
- নঙদি ক্লাস কয়ানো, কদায়ফাও তমহৌগে
- তমহৌদে সার
- অদুগা সার হায়না ইংলিসতগা হায়রিসিদি
- সারনা কৌরক্কান্দা সার হায়য়ু হায়বদাইনে
- পিওন ওইবগীদি ক্লাস আইট ওইদৌনি হায়য়ে । সার ঐখোয় ববানা ঐখোয়গী মমাঙ স্কুলদগী সার্টিফিকেট লৈবনি সার। ঐগী থবক অসিসু ঐখোয় ববানা লৌ য়োল্লগা লৈবনি সার।
- পিওন ওইরগা মশীং, মমিং খঙদ্রদি, পাবা থোক্তুবদি কমদৌনি হা।
- সার তম্বীয়ু তম্লগা হৈরকপনি সার
- য়ারে-য়ারে চো, মপান্দা ফমদুনা লৈয়ু। কৌরক্কান্দা তানবা। পিওন চাউবদা পীহল্লুরগে ফাইলশিংসে। থাপ্পা চৎথোকখিনুকো।
- হোয় সার, (মমায় লৈখি, অমুক ওনশিল্লক্লগা)
- সার করিগুম্বা অমত্তা
- কৈনো হায়য়ু
- মপান্দা শুম ফমদুনা লৈগদ্রা সার
- হোয় লৈয়ু, কৌরকপা তানবা
- সার মপান থোকনীংলকপা, খোঙ হামনীংলকপা তারদি কনানা মহুৎ শিলহৌনি সার।
- চৎলো হৈ (লাউরকই)
- খংপ্রেক খংই সার
- চৎলো অরাকপা অমদা শিন্নৌ (শাউরপনা)
- হোয় সার (থোকখি)
- ক্রিং
- সার ঐবু কৌবিববু
- হে নঙ কনানো
- ঐ তোমপাপুনি সার
- কৈদৌবা চঙলক্লিবা
- সারগী পিওন্দু মখোঙ হান্বা চৎখি। অদুদা ঐঙোন্দা শিন্নরম্বনি সার। (ওফিসর ইশি-শিনা নোকই)।
- ফরে-ফরে, সে তল অমগা বোরা অমগা পুরকউ, থুনা লাকউ।
- হোয় সার (থোকখি)
- অস কুম্মৈনি, মহুৎ শিনবসু চপ হেক মান্নৈ মমিংসু।
- সার চঙজরকপা য়ারদ্রা
- চঙলকউ
- সিদা লৈজরে সার
- কৈনো, বেরাসি অমত্তা পুরক্লিসিনা।
- সার, চেসিদা বোরা ময়ামমা হাপ্লকই। ঐনা, সারনা অমখক্তা হায়বদুদা লৌথোকহল্লগা সিমতং পুজরকপনি সার। (ওফিসর নোকই)।
- নমিং করি কৌই।
- মুক্কাঙা
- ঙসাইগা মান্নদে
- সার মহুৎ শিনবদুদা, মমিং ওন্নরদি য়ারোইদ্রা হায়দুনা...মুক্কাঙা (খংলাউ লাউরকই)
- হাউ সার (খংখুম খুম্মী)। খংঙি সার, পাখৎলি।
- খংগনু-পাখৎকনু নুংশিদুনা লাউবনিদা। চো-চো, তলগা বোরাগদু নঙ চাজরুরো মপান্দা ফম্লগা।
- অস, হরাউই সার।
- য়ারে-য়ারে থোক্লো।
- য়েস সার।
- ঙাইখো
- তোমপাপুদো লাক্লগা চঙহল্লকউকো
- হোয় সার, খুরুমজরি।
- য়ারে-য়ারে। নোক্তুম নোক্কেদা হা-হা-হা। হো পিওন বাবু হা-হা-হা।

*- খাংঙেম্বম শ্যামকিশ্বর*